## স্মার্ট মেদিকোসতা শীরিবা মরাল মীয়ামদা শেংদোক্ত্রবদি আইনগী মতেং লৌরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৪ঃ

চীফ মিনিষ্টর তেঙবাংগা মরী লৈননা স্মার্ট মেদিকোসদা যুম্ফম য়াওদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লিবা অসি লৈঙাকন্না শেংদোক্ত্রগদি আইনগী মতেং লৌরগনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি তেরা লৌক্রাকপম লৈকাইদা লৈবা সলাই হোর্দিং প্রাইভেট লিমিটেদকী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা সলাইগী বোর্দ ওফ দাইরেক্টর মেম্বর খোইস্লাম রোসননা হায়, হেল্থ দাইরেক্টর ডা. কে রাজোনা সিএমঐচটিগী হিদাক সপ্লাই তৌরিবা স্মার্ট মেদিকোস অসি লাইসেন্স পায়দবা ৱান্দেদ হিদাকশিং সপ্লাই তৌবা অমদি আইটি পোর্টেলদা ফজনা ইনরোল তৌদবনা মরম ওইরগা এগ্রিমেন্ট কককথৎপনি হায়না মেদিয়াদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসি লৈঙাক্কী দাইত্ব লৈবা মীওই অমনা ঙাংলোইদবা যুম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি।

সিএমঐচটি অসি মায়পাক্না চঙশিন্নবা হোৎনবদা মায়কৈ অহুমগী ওইবা য়ানা চেরোল অমা লৈঙাক্কী মীহুৎ স্মার্ট মেদিকোস অমদি ব্যুরো ওফ ফারমা পিএসয়ুএস ওফ ইন্দিয়াগা সাইন তৌনখিবনি। অদুগা চহী অসিগী জনুৱারি ২১দা হৌদোকখিবনি। অদুবু স্মার্ট মেদিকোসদি চহী ১০গী মমাঙদা রিটেল আউটলেট ২০ রোম হাংদুনা অমদি এমএনসি কম্পেনি ১০গী মথক্তা পায়দুনা লমদম অসিদা ওপরেট তৌরিবনি।

বিপিপিআই হায়দুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈবা অসিগসু এগ্রিমেন্ট সাইন তৌনদুনা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা জনাঅয়ুসধিগী মেদিসিন, জেনরিক মেদিসিন সপ্লাই তৌবগী ওথোরাইজ তৌদুনা লৈরবা স্মার্ট মেদিকোসবু করম্না লাইসেন্স পায়দে হায়রিবনে হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, সিএমঐচটিগী ওইনা পীরিবা হিদাক্কী লিষ্ট অসি ৬৬৭ নি। মসিগী মনুংদা বিপিপিআইনা পীরিবা হিদাক্কী লিষ্টতা য়াওরিবা অসি শুপ্নতগী ৩০৬ খক্তনি। মসিদা ৱাৎহৌরিবশিং অদুসু হাপ্পীনবা চেথাদুনা হোৎনরি। অদুবু সিএমঐচটিগী কার্দতি হায়রগা লায়েংবগী হিদাক পীরকপদদি হিদাক্কী লিষ্টতা য়াওদবশিং অদুদি অনাবশিং অদুগী খল্লগা মখোয়গী অয়াবা তৌরগা ৱান্দেদ হিদাকশিং অহোংবা মমলদা পী। মসিদা ৱান্দেদ সপ্লাই লৌই হায়বগী ৱাফম লৈতে।

স্মার্ট মেদিকোসনা হৌজিক ফাওবদা য়েংখিবা অসি মীওই ২৫০০ হেনবনি। মসিগী মনুংদা ডাক্তরনা ইরকপা হিদাক অসি চাদ ৯৯০৯ ৱান্দেদ ঙাক্তনি। মসিদা থেংনখিবা অৱাবা অদু খঙদনা লান্না শন্দোকপা য়াবা ঙম্লোই।

আইটি পোর্টেলদা ফজনা হিদাক্কী লিষ্ট চঙদে হায়না ফোঙদোকখিবা অসিগী মতাংদা হায়, ডাক্তরনা ইরকপা হিদাক্না ৱান্দেদ ঙাক্তা ইরক্লগা করম্না আইটি পোর্টেলদা অপলোদ তৌগদৌরিবনো। সিএমঐচটি অসি মায় পাক্লবগীদমক হৌজিক ফাওবদা লুপা ক্রোর অমা মখাই রোম ফঙদনা লৈরি। অসুক ৱানা হোৎনরিবা অসি তোক্লগা মপান লমগী মীওইশিংদা ওইনা তৌহনগদৌরিব্রা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। স্মার্ট মেদিকোসতা শীরিবা মরাল অসি শেংদোক্ত্রগদি আইনগী মতেং লৌনবা শেম শাবা লোইরে হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

**লমায় ১ গী মখা**

## হৌখিবা চহী ৫দা লম্বীগী এক্সিদেন্ট ৬০৫ থোকখি...

সেফটি ফন্দদা ট্রান্সফর তৌনবা ৱাফম য়াওরি।

হৌজিক ষ্টেট অসিগী ওইনা দাইরেক্টর ট্রান্সপোর্টনা লুচিংদুনা তোঙান তোঙানবা মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং ত্রাফিক পুলিস, পি দব্লিউ দিনচিংবা য়াওনা লিদ এজেন্সি কৌবা বোদি অমা শেম্নবা থবক তৌরে। মসিগীদমক পুলিস দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগীসু দি এস পি অমা পোষ্টিং পীবিরে হায়খি। খন্নরিবা ৱাফম অসি ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট খক্তগী নত্তে। মসি তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট ময়াম অমা পুন্না চৎমিন্নবা মথৌ তাই। ৱার্কশোপ অসিদা ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট, এদুকেসন দিপার্টমেন্ট, হল্থ দিপার্টমেন্ট য়াওনা অতৈ দিপার্টমেন্টশিংগী মীহুৎশিংনা ৱাফমশিং ফোঙদোক্কনি। মসিদগী লমদম অসিগী মপুং ফাবা রোদ মেপ অমা শেম্নবগী থবক পায়খৎহৌবা চঙই হায়খি।

মসি কম্মিতি ওন রোদ এক্সিদেন্টতা পুথোক্তুনা লমদম অসিদা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক চাদ ৫০ দ হন্থনবা থবক পায়খৎনবা পান্দম থম্লিবনি।

সুপ্রিম কোর্দগী পাউতাক মতুংইন্না ট্রাফিক্কী নিয়ম থুগায়বা মীওইশিংদগী খোমগৎলকপা পেনালতিগী শেনফমগী চাদ ৫০ রোদ সেফটি ফন্দদা টান্সফর তৌনবা হোৎনরি।

মণিপুর রোদ সেফটি ফন্দ স্কিম দ্রাফ্ট তৌবা লোইরে। মসি হৌজিক ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা য়েংশিল্লি। অথুবা মতমদা কেবিনেট মীফমদা পুথোক্তুনা খন্ননবা থবক পায়খৎলগনি।

ঙসিগী নেসনেল ৱার্কশোপ অসিদা মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ অমসুং এসোসিয়েসন ওফ ষ্টেট রোদ ট্রান্সপোর্ট অন্দরতেক্কিংসনা স্পোন্সর তৌদুনা ৱার্কশোপ পাঙথোকপা অসি থাগৎলি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী এসোসিয়েসন ওফ ষ্টেট রোদ ট্রান্সপোর্ট অন্দরতেকিংসকী কন্সলতেন্ট তামালি গঙ্গুলিনা হায়, লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অসি লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা পাক শন্না থোক্লিবা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমনি।

থৌদোক অমদা মীওই অমা শিবদু মশীং থাদ্রবসু অমমম শিবা থৌদোক ময়াম অদু পুনশিল্লবদি মসিনা অচৌবা ৱাফম অমা ওইরক্লি। লৈখিদবশিং অদুগী মনুংদা য়ুমগী যুম্থ ওইনা শেল তানবা মীওই কয়া য়াওরিবনি। মসিনা ইমুং অদুগী শেন্মীৎলোনগী ফিভমদা চাউনা অকায়বা পীগনি হায়খি।

ঐখোয়না লম্বী অসি নিয়ম চুম্না শিজিন্নরবদি লম্বীগী খুদোংথিবদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। লম্বীবু ঐখোয়গী লন্নাইগী ওইবা থবক্তা শিজিন্নরোইদবনি। লম্বীগী খুদোংথিবা থিংগে হায়রবদি ঐখোয়না মদুগী তৌফম থোকপা তৌগদবনি। মদু ইথৌ অমা ওইনা লৌরগা থবক চঙশিনবা মতমদা লম্বীগী খুদোংথিবদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। লম্বীগী খুদোংথিবদগী কনবা মতমদা ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট মথন্তনা ওইথোক্লোইই অতৈ দিপার্টমেন্ট কয়াগী মতেং দরকার লৈ হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ইন্সটিট্যুট ওফ দ্রাইভর ত্রেনিং এন্দ রিসার্চ সেন্টর মণিপুরগী মেম্বর সেক্রেটরী শান্তিকুমার নাউরেমনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা লম্বীগী খুদোংথিবা থোকহন্দনবা লৌখৎফম থোকপা থৌদাংশিংগী লৌনবা ৱাশক লৌখি।

## অখন্নবা মীফম কৌহনবীনবা কংগ্রেসনা গভর্ণরদা...

সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং ওপোজিসন পার্টিশিংগী অপুনবনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট য়াওনা ইশু কয়া অসি খ্বাইদগী ৱাংবা দিসিজন মেক্কিং বোদি অমা ওইরিবা এসেমব্লিদা পুখত্তুনা খন্নরবা মতুংদা য়াম্না অকনবা ফিরেপ অমা লৌনবা মীয়াম্না তকশিন্দুনা লাকপনি।

প্রজাশিংগী পূক্নিংদা লাংতক্কবা, চিংনবা কয়া ফাওদুনা মীয়াম অহিং নুংথিল নাইদনা অশেংবা অদু খঙহনবীয়ু অমসুং মীয়ামগী চিংনবা অসি কোকহনবীনবা অখন্নবা মীফম কৌনবা হনবা লৈতনা তকশিল্লবা মতম অসি ফাওবদা গভর্ণমেন্টনা অখন্নবা সেসন কৌবিয়ু য়াদবগী মরম করিগীনো হায়বদু প্রজাশিংদা খঙহনফম থোকই।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা অখন্নবা এসেমব্লি সেসন কৌদুনা ইশু অসি কুপ্না তরেৎ তরা থোক্লা খন্নদুনা ৱারেপ অমা লৌফম থোকপনি। মীয়ামগী থাজবা অসি মাঙহনবা চুম্লোই। মসি ফাওবদা প্রজানা কন্না হায়জবা অসিদা গভর্ণমেন্টনা য়াবিদবা অসিগী মরম মীয়ামদা থন্ফম থোকই।

হন্দক্তঃ লোইশিনখিবা এসেমব্লি সেসন অদুদা কংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী বি এ সি অমসুং গভর্ণমেন্টনা পীরিবা মতম অসি ইশুশিং অসি খন্নবদা মতম কোন্নরোই। মরম অসিনা সেসন অসি নোংমা নিনিদং ওইরবসু শাংদোক্লগা খন্নসি হায়না গভর্ণমেন্টতা থমখিবনি।

হায়জবা অদু গভর্ণমেন্টতা তাবিখিদে। হাউস সাইনে দাই এদজের্ন তৌখিবনি। মদুগী মতুংদা ইশু ময়াম অসি খন্ননবা এসেমব্লিগী অখন্নবা সেসন কৌনবা সি এস ওশিং, মীয়াম অমসুং কংগ্রেস য়াওনা ওপোজিসন পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্না হায়জবদা শিখাঙ খাঙলগা সেসন কৌরোই খন্নরোই হায়রিবা অসি গভর্ণমেন্টনা মসি মীয়ামদা শেঙদোকফম থোকই।

এসেমব্লি অসি প্রোলোগ তৌদ্রিবনিনা মীফম কৌবদা কায়দে হায়রবসু কৌবিয়ু য়াদবা অসিনা কংগ্রেস পার্টিনা ষ্টেট অসিগী মকোক ওইরিবা গভর্ণরগা উন্নদুনা অখন্নবা সেসন কৌহনবিনবা তকশিন্নবা খন্নবা লৈরে। গভর্ণর উন্ননবা মতম লৌরগা মদুগী মতম পীবিনবা হায়জনবা কংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবশিংগা তান্নবা লৈরে হায়খি।

মীয়াম্না মণিপুর অসি করি থোক্লগদবা হায়দুনা মীপায়নরিবা মতম অসিদা মীফম থুনা কৌবিনবা অমসুং কুপ্না খন্ননবা হায়জবা অসিদা গভর্ণমেন্টনা তাবিবা লৈত্রি।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসিনা টেরিটোরিয়েল বাউন্দরি কায়বা কায়দবা অসিনা অমা ওইরগা ষ্টেটকী ইন্টরেষ্টতা শোক্লকপা তারবদি মদু কংগ্রেস পার্টিগী ওইনদি মদু য়াবা ঙম্লোই হায়বা অচেৎপা ফিরেপ লৈ।

বাউন্দরি শোকহল্লোই হায়না হায়রবসু মসিদা কন্সটিট্যুস্নেল ষ্টেটস পীবা হায়বসিদা অয়াবা পীখিবা তারবদি মদুনা মণিপুর কয়বা য়াবগী কায়াৎ অদু য়াৎলবগুম্বনি।

মণিপুরগী প্রজাশিংনা পাল্লিবদি মণিপুর অমসুং মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট হায়বসি টেরিটোরিয়েল ইন্তিগ্রিতি নত্রগা হৌজিক লৈরিবা ষ্টেট অসিগী ষ্টেটসতা শোক্লক্কদবা লৈরবদি মদু য়াবা ঙম্লোই হায়বনি।

মীয়ামগী অপাম্বা অমসুং কংগ্রেস পার্টিগী অপাম্বা অসি সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টতা থমখিবা লৈখ্রে। লমদম অসিগী মীয়ামগী পূক্নিংগী ইহুল খঙনা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা খোঙথাং লৌখৎপনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি।

কনাগুম্বা গ্রুম অমগা ৱারী শান্নদুনা শান্তি পুরকপদা তরাম্না ওকই। অদুবু কনাগুম্বা লূপ অমা থেম্নবা হোৎনবদা অতোপ্পা ইশুময়াম থোকহন্নবা তৌবিগনু হায়খি।

## ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী জিও পোর্টেল লোঞ্চ তৌখ্রে

দি পি আর শেম্বা মতমদা দরকার ওইবা দাতা পূম্নমক অদু চাদ চাম্ম থাজনিঙাই ওইরবা ওফিসিয়েল দাটা পোর্টেল অসি হাংদোরকপা অসিনা পীবা ঙম্লগনি।

মসিদা কনাগুম্বনা দাটা লানগনি হায়বগী চিংনবা ৱাফম লৈররোই। মসিনা করিগুম্বা কান্দা দাটা য়েৎশিন্নবা, দাটাদা মান্নদবা, লানবনচিংবা থেংনবা অদু কোকহনবা ঙম্লগনি হায়খি। মসিনা প্রোজেক্টশিংগী দি পি আর শাবদা দাটা থিনবা হোৎনবদা মতম চংলম্বা অদু কোকহনবা ঙম্লগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঙসিদগী হৌদোক্লিবা পোর্টেল অসি শিজিন্নরগা দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা লৈরিবা দিপার্টমেন্টশিংগী ওফিসিয়েলশিংনা মখোয় মখোয়গী দরকার লৈবা দাটাশিং অদুদা করি করি অৱাৎ অপা লৈরিবগে হায়বদু থিদোক্লবা পাউতাক পীখি।

দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসারশিংনা অৱাৎপা ইনফোর্মেসনশিং অদু অপগ্রেদ তৌনবগী দায়ত্ব লৌগদবনি। জিও পোর্টেল অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসি মাঙজিল থাবা চাউখৎপা দিষ্টিক্ট অমা ওইহন্নবা হোৎনবসি হায়না দি সিনা আপীল তৌখি।

থৌরম অদুদা মার্সেককী দাইরেক্টর ডা. এন রন্ধির সিংহনা হায়, এন ই দি আর পিগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট জিওপোর্টেল হাংদোকপগী থৌরাং অসি ইং ২০১৪ দগী পায়খৎলকপনি। অৱাং নোংপোক ষ্টেটকী ওইনা পুন্না দিষ্ট্রিক্ট ২৫ খনগৎপদা মণিপুরগী ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং চুরাচান্দপুর য়াওরকপনি। পোর্টেল অসি হাংদোক্লবগী থবক অসি মমাঙগী চহিদা মপুং ফানা লোইরবসু মসিদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্দা সিষ্টেম অমা পীবা দরকার লৈবনা মদু লাকপা ঙাইবদা মতম খরা থেংথখিবনি।

জিও পোর্টেল অসি ওফলাইন অমসুং ওনলাইন অনীমক্তা য়েংবগী খুদোংচাবা ফংগনি। মসিগী জিও পোর্টেল অসি হাংদোকপনা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিং এগ্রিকলচর, হোর্টিকলচর, ফিসরিজনচিংনা কয়াগী মরী লৈনবা মরিক চুম্বা ইনফোর্মেসনশিং ফংবা য়াগনি।

সর্ভিস অসিদা বেজ লেয়ার বাউন্দরি ময়াম অমা পীরি। মসিদা দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরিদগী হৌরগা সব দিভিজনেল বাউন্দরি,ভিলেজ বাউন্দরি, জি পি বাউন্দরিনচিংবা য়েংবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈগনি।

মসিগী পোর্টেল অসিদা দিষ্ট্রিক্টকা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন কয়া ফংবা য়াগনি। মসিনা হৌখিবা চহি খরগী মমাঙদা লৈরম্বা লম অমসুং হৌজিক কয়া য়াম্না মাঙশিনলকপগে হায়বনচিংবগী মরিক চুম্বা দাটা অদু ফংবা ঙমগনি। মসি লমদম অমগী শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তা য়াম্না কান্নরবা পোর্টেল অমা ওইগনি হায়খি।

## ফাইয়রমেনগী অইবা চাংয়েংগী মতম হোংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৪ঃ

মণিপুর ফায়র সার্ভিস দিপার্টমেন্টকী ফায়রমেন লৌনবগী অইবা চাংয়েং থাসিগী ২৮, ৩০, ৩১ অমসুং মথং থাগী ১দা পাঙথোক্কনি লেপ্লম্বদু থাসিগী ২৯দা দিষ্ট্রিক্ট পূম্নমক্কী কেন্দিদেন্টশিংগী ওইনা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মগী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়না দিপিসি কমিতিগী চেয়ারমেন আরকে মেমেনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## চে অমদি সম্থি চেনা খাও শাবগী ট্রেনিং হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৪ঃ

মণিপুর ষ্টেট ৱুমেন দিভলপমেন্ট কোওপরেসনগী থৌশিল মখাদা মীমান্নদ্রবা নুপীশিংদা চে অমদি সম্থি চেনা খাও শাবগী ভোকেস্নেল ট্রেনিং অমা ঙসিদগী হৌনা তাকয়েল ইন্দষ্ট্রিয়েল ইষ্টেটকী ৱার্কসেদ নম্বর ৫গী হোলদা হৌখ্রে।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা কোর্পোরেসন অসিগী চেয়ারপার্সন এস সৈত্যাভামানা হায়, ঙসিদগী হৌনা অহানবা বেটচকী ওইনা পাঙথোক্লিবা চেগী খাও শাবগী ট্রেনিং অসি পাৎচৈ–পুনবগীদমক্তা প্লাষ্টিক খাও শীজিন্নবগী মহুৎতা চেগী খাও শীজিন্নহন্দুনা অকোইবগী ফিভম ফগৎহন্নবা থৌরাংগী মখাদনি।

হৌজিক দেব কর্ম্ম, থৌদোক ৱাথোক কয়াদা চেগী খাও শীজিন্নবা হৌরক্লে। থৌওং অসি পূক্নিং থৌগৎতুনা প্লাষ্টিক্কী মহুৎত্তা চেগী খাও শীজিন্নরবদি অকোইবগী ফিভম কনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়বা ৱাফমসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

**লমায় ১ গী মখা**

## কে আর এগী চীয়রমেন ফারে

দেবিদ হংসিং ইম্ফালগী দ্যুলালেন্দদা লৈবা ময়ুমদগী ফারে।

মহাক কোর্টতা পুথোক্লগা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌরগনি হায়রি।

## স্পিসিয়েল জজ, পোক্সোদা সিক্যুরিটি পীরে

অদুবু জজ অসিনা দিষ্ট্রিক্টসিদা অহিং লেক্লবদি দিপ্লোয়মেন্ট অসিগী মথক্তা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী রিজার্ব লাইনদগী পার্সোনেল মঙাসু মহাকপু ঙাক শেন্নবা অহেনবা ওইনা দিপ্লোয় তৌরগনি হায়রি।

মসিগী মথক্তঃ নুমিদাংগী মতমদা ক্যুইক রেস্পোন্স টিম (ক্যুআরটি)নসু কোর্ট কমপ্লেক্সকী অকোইবদা পেট্রোল্লিং অমদি চেক্কিংনচিংবা পাঙথোক্তুনা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা হোৎনগনি। মথক্কী সিক্যুরিটি এরেঞ্জমেন্ট অসি এদিস্নেল এসপি (ওপরেসন্স) শেম্মি রামরোরগী কম্মান্দ মখাদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

অমরোমদা জজ অসিগী কোর্টকী ষ্টাফশিংনা হায়জরকপগী মতুং ইন্না ঙসি ওল মণিপুর বার এসোসিয়েসনরা মীতিং অমা পাঙথোক্তুনা খন্নবা লৈব্রা হায়দুনা পাউচেসিনা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট ঐচ চন্দ্রজিৎ শর্ম্ম, সেনিয়র এদভোকেটতা হংখিবদদি মহাক মিতিং তৌবগী মতাংদা প্রসিদেন্ট অমা ওইনা খঙবা লৈতে। সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিয়েসননা অম্বাদা জজ অসিগী পুন্সিদা অকি–অখঙ নংহল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈরে হায়দুনা ওফিসিয়েল ওইনা হায়রকপা লৈত্রি হায়রকখি।

পনবা য়াবদি জজ অসিনা মমাঙ থাগী ৩১দা পীখিবা জজমেন্ট অমদা চহী মরি মখাই খক্তমক ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু ইজ্জৎ মাঙহনবিরগা মখৌরি মেৎলগা হাৎলুবগী মরালদা আর দেবিদ (২১) কৌবা নহা অমা শীদ্রিফাউবা ফাঁসি তৌনবগী ওর্দর পীখিবনি।

## লম্বীগী এক্সিদেন্টদা মীওই ৩ শিরে

লৈরিবা মীওই অদুনা বিষ্ণুপুর ৱার্দ নম্বর ১০দগী লাইশ্রম সন্তোস সিংহ(২৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল সুনিলনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসতগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না ঙরাং নুমিদাং হায়রিবা মতম অদুদা টাটা ট্রক নম্বর এমএন০৫সি–১৫১৯ টিদিম লম্বীদা মখা পাংনা থৌদখিবদা চঙাঙ্গে মখা লৈকায় মপাদা য়ারক্তবদগী লম্বীদা খামখি। গারী অদু শেম্নবা গারীগী মীওইশিং গারী মখাদা চংলগা য়েংনরিঙৈদা মখা পাংনা থৌদরকখিবা সেন্ত্রো কার এমএন০৫জে–০৬৬৯ অসিনা টাটা ট্রক মনীংদা শাফু কন্না থোমজিল্লকখি। মদুদা কার অদুদা তোংলকখিবা মীওই ৪মক অরুবা ফিভমদা শোকপদগী রিসম হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নবদা নহা ৩ অদু লায়কন্নবা ঙমদা লৈখিদবনি হায়রি।

সেন্ত্রো কার অদু হৌজিক রিমস হোস্পিটালদা লায়কন্নদুনা লৈরিবা লাইশ্রম সন্তোসনা থৌরকপনি হায়রি।

লৈখিদ্রবা নহা ৩ অদু ঙসি রিমস মোর্গতা পোষ্ট মোর্তেম তৌরবা মতুং ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নখ্রে। থৌদোক অসিগী মতাংদা লম্ফে পুলিস ষ্টেসননা কেস অমসু লৌখৎলে হায়রি।

## জিতেন কোর্টতা পুথোরকপদা...

ইমুং মনুংগী মীওইশিং অমদি লৈকায়গী মশীং য়াম্লবা নুপীশিংনা অয়ুক্তগী উরিপোক চৈরাপ কোর্ট লাক্তুনা জিতেন পুরকপা ঙাইদুনা লৈখি। মদুদা পামদবা থৌদোকশিং থোকপা থিংনবা নুপী পুলিস য়াওনা মশীং য়াম্লবা পুলিস পার্স্নেল অমদি হোমগার্দশিংনা চৈরাপ কোর্টকী গেটতা ঙাকপা লোয়ননা থোমজিল্লকখিবা নুপীশিং অদু গেটকী ৱাংমদা লৈহনখি।

পুলিসকী অকনবা চেকশিন থৌরাং মরক্তা খুল্লেম জিতেন জেলগী প্রিজন্নর ভেনদা হাপ্লগা কোর্টতা পুরকখি। মদুদা কোর্ট গেটতা ঙাইদুনা লৈরিবা খোয়শাওনরবা নুপীশিংনা জিতেনবু পুরক্লিবা গারী তম্না নুঙনা লান্দাখি। নুপীশিং অদু গেটতা থৎতুনা থল্লগা জিতেন কোর্ট মনুংদা পুশিন্দুনা ফাইনেল অর্গুমেন্ট হিয়ারিং চত্থখি। হিয়ারিং অদু ঙসি লোয়শিনবা ঙমদবদগী থা অসিগী ২৭ মখা চত্থনবা কোর্টনা মতম লেপখি।

ঙসিগী হিয়ারিং মতম লোয়দুনা কোর্টতগী পুথোরকপদসু কোর্ট কমপ্লেক্সতা চঙলকখিবা নুপী খরনা জিতেন তম্না নুঙনা লান্দাখি। অদুবু সেকুরিটি পার্স্নেশিংনা খুৎলৈথুনা জিতেনবু প্রিজন্নর ভেনদা হাপকৎতুনা পুরগা চৎখি।

পনবা য়াবদি, ঙসি চত্থরিবা কেস অসি নত্তবা, চৎলিবা চহি অসিগী জুলাই ২৭কী নুংথিল ২.৩০ রোম তাবদা খুল্লেম তোম্বা কৌবা মখুরা অমসু লাঙ্গোল পুন্সিলোক্তা লৈবা ফার্ম হাউসতা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎল্লি হায়দুনা লম্ফেল পুলিসনা জিতেনবু ফারগা মহাক্কী মথক্তা অতোপ্পা কেস অমসু লৌখৎখিবা লৈখ্রবনি।

## কোর কমিতিদগী এনইআইদিপি...

অদুবু কোর কমিতি শেমখ্রবা মতুংদা মপুং ফাবা থবক লৌখৎলকপগী খোঙথাং অমত্তা লৈতবা অমদি মশা মশাগী পার্টিগী ওইবা মোটিবিত চৎপগী মওং অসিদা মখা তানা কোর কমিতিদা পুল্লুবগী কান্নবা লৈত্রে খন্দুনা পার্টিঅসিনা কোর কমিতিদগী তেক্লবা ফিরেপ লৌবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, এনইআইদিপিনা মীয়ামগা লোয়ননা লমদম অসিগীদমক মখা তনা ইশু খুদিংদা থেংনগনি অমদি মীয়ামগী অমাঙবা ওইগদবা থবক পার্টিনা নাথৈরগা চৎলোই হায়না মখা তনা ফোঙদোকখি।

## এময়ুগী রেজিষ্টার ইনচার্জ...

এসোসিয়েসন অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টাফ এসোসিয়েসনগী মীহুৎশিংবু হয়েং পুং ১১দা মীতিং অমা পাঙথোক্লবা খঙহলক্লে হায়রি।

## পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে

লালহৌলূপসিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অহুমসিদা মসিগী চেয়ারমেন রাইতু চৱাং (৬৬) অমদি সেক্রেটরী অমসুং পব্লিসিটি সেক্রেটরী য়াওরিবনি।

## জিতেশ্বর অমদি সতিসকী মশা শিন্নগদবনি হায়দুনা ৱাকৎ মীফম চত্থরি

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৪ঃ

গুরুময়ুম জিতেশ্বর শর্ম্মা অমদি থাংজম সতিসকী মশা শিন্নগদবনি, মখোয় অনী য়াওনা মীওই ৫ লোন্না হাৎখিবদা চেন্নবশিং দন্দি পিয়ু হায়দুনা ৱাকৎ মীফমগী খোঙজং ঙসিসু চত্থরি।

জেএসি এগেন্টস কষ্টদিয়েল কিল্লিং ওফ গুরুময়ুম জিতেশ্বর শর্ম্মা, থাংজম সতিস, থৌনাওজম প্রেম, আরকে রনেল এন্দ ফিজম নাওবী বাই থ্রি সিআইএসয়ু, ইনি দয়ান অর্মি হায়রিবা জেএসিগা খ্বায়রম্বন্দ বাজার টেম্পররি মার্কেটকী কৈথেল ফম্বীশিংগা পুল্লগা তেম্পররি মার্কেটতা ৱাকৎ মীফমগী খোঙজং চঙশিনখি।

ৱাকৎ মীফমগী খোঙজং অদুদা গুরুময়ুম জিতেশ্বর শর্ম্ম অমদি থাংজম সতিসকি অশিবা হকচাং শিনগদবনি, জি জিপসি, টিঐচ সতিস, টিঐচ প্রেম, আরকে রনেল অমদি পিঐচ নাওবীগী অরোনবা মীহাৎ গভর্ণমেন্টনা সিবিআই নৎত্রগা এসআইটি শেমদুনা থিগৎহনগবনি, মিহাৎশিং অসিদা চেনরিবা ইন্দিয়ান আর্মিগী থ্রি কোর্পস ইন্তিলিজেন্স সর্ভিলেন্স য়ুনিৎ (সিএসআইয়ু)শিং অথুবা মতমদা আইনগী ওইবা চৈরাক পিগদবনি, অফস্পা অমদি অমুবা আইনশিং মুথৎকদবনি অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টদা অরোনবা মীহাৎ অসিগী ৱায়েল পুথোক্লবা হায়গদবনি অমদি এক্সত্রা জুদিসিয়েল এক্সিক্যুসনদা চেন্নরিবা আর্মিগী ওফিসারশিং অমদি মখোয়গা লোয়নরিবশিং অহকপা চৈরাক পিয়ু হায়দুনা খোল্লাও ওইনা লাওখি।

খোঙজং অসিগী চপ মান্নবা মওংদা নোংদম বজার অমদি বামোন কম্পুদ মশীং য়াম্লবা মৈরা পায়বীশিংনা শরুক য়াদুনা চংশিনখি।

## পুমলেন পাৎতা সঙাই থম্বা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৪ঃ

পুমলেন পাৎতা সঙাই থম্নবা হোৎনরিবসি মালেমসিদগী মুৎথিগদ্রা হায়না চীংনরিবা সঙাইবু হাৎননবা হোৎনবা থৌওংনি অমদি মফম অসিদা সঙাইগী ২শুবা য়ুম ওইনা শেমগনি হায়বা ৱাফম অদু য়াবা ঙম্লোই হায়না নোংমাইখোঙ অৱাং সোসিয়েল রিফোর্মেটিভ এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট সলাম জয়না ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মহাক্না হায়, পুমলেন পাৎ অসি সঙাইনা লৈবা য়াবা মফম অমা ওইদে। হায়রিবা মফম অসিদা অতাওবা ফুমদি লৈতে। অরুপ্পা ফুমদি ঙাক্তনি অমদি মফম অসিদা সঙাই থম্লকপা মতমদা অকোইবদা লৈরিবা মীওই কয়া মাঙখিবা য়াবগী অকিবা লৈ। হিয়াং লম কেন্দ্রগী কিমি ৬০ না কোল্লিবা ফুমলেন পাৎ অসিদা ৱাইল্ড লাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স অমদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা পীরম্লিবা রিপোর্ট অসি মরম চাদে। অমদি সঙাইগী মচিঙ্গাক তৌ পাম্বী মখল অসিসু মফম অসিদা হৌদে হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ফুমলেন পাৎকী অকোইবদা লৈরিবা খুঙ্গাশিং পাৎ অসিদা তাংদুনা লৈরিবনি। অসিগুম্বা মফম অসিদা সঙাই য়োক্কনি হায়বা অসি অকোইবদা লৈরিবা মীয়ামগীদমক্তদি য়াম্না চাওনা মাঙজবনি। মরম অদুনা লৈঙাক্না চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাং অসি হন্দাকপীয়ু হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## পুলিস কন্সষ্টেবল প্রমোসনগী দিপিসি শেমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৪ঃ

মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী কন্সটেবল (মেল / সিভিল)দগী হেদ কন্সটেবল (মেল/সিভিল)দা প্রমোসন পীনবগীদমক দিপার্টমেন্টসিগী ক্লাস থ্রিগী দিপার্টমেন্টেল প্রামোসন কমিতি (দিপিসি) অমা ঙসি দিজিপি, মণিপুরনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না শেমখ্রে।

ওর্দর অসিগী মতুং ইন্না ভন্দনা কার্কি, আইপিএস আইজিপি (ঐচআর/ ট্রেনিং/ আরটিআই), মণিপুরনা কমিতি অসিগী চেয়রপার্সন ওইরগনি।

অদুগা গভর্ণমেন্টকী নোমিনি অমগা এসপি, সিআইদি (ক্রাইম ৱাঞ্চ) জোইসি লালরেমমোর, এমপিএসনা কমিতি অসিগী মেম্বরশিং ওইগনি।

দিপিসি অসি পাঙথোক্লবগী মফম মতম চেয়রপার্সননা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংগা তান্নরগা লেপ্লগা মসিগী প্রোসিদিংশিং অথুবা মতমদা পীখৎলক্লগনি হায়রি।

## পাউনিলখোলগী কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৪ঃ

ইম্ফালদা নুংত্তিগী নুংথিলদা ফোঙবা চেফোঙ 'পাউনিলকোন'গী ২৮রক শুবা কুমওন থৌরম ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু)গী এক্টিং প্রসিদেন্ট ব্রোজেন্দ্র নিংঙোম্বা, চেফোঙ অসিগী পাব্লিসর এল মঙ্গি, কৈশামথোং কেন্দ্রগী ৱার্দ নম্বর ১১গী কাউন্সিল্লর মৈস্নাম জয় অমদি ওল ইন্দিয়া রেদিওগী শৈরেংবা রাজেন্দ্রো ওক্রমনা মথং শীৎনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং ইকায় খুম্নরবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

**লমায় ১ গী মখা**

## এমএলএ য়ামথোং হাওকিপ কোর্টতা পুথোরকখ্রে...

মায়কৈদগী গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াদা কন্না তকশিনখিবদগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্স (এমঐচএ)না মে ৩০, ২০১৮দা থোরককখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না কেস অসি এনআইএনা লৌখৎতুনা মসিগী ইনভেষ্টিগেসনগী থবক চত্থরককখিবনি।

এনআইএনা চত্থরককখিবা ইনভেষ্টিগেসনগী মনুং চন্না এমএলএ অসিগী য়ুমদা জুলাই ৩১, ২০১৮গী নুংথিলদগী হৌরদুনা নোংয়াইমতুং ফাওবদা মহাক্কী ময়ুমদা থি–হুম্বগী থবক চত্থরিঙৈদা হান্নদগী দাইবেটিক পেসেন্ট অমসু ওইরকখিবা মহাক্কী হার্টতা প্রোব্লেম লাকপদগী রিমস রোদতা লৈবা স্কায় হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরল্লবা মতুং ন্যু দিল্লিদা লৈবা ফোর্টিস এস্কোর্ট হোস্পিটালদা এয়র এম্বুলেন্সনা পুদুনা লায়কন্নখিবনি।

অদুমু মহাক হোস্পিটালসিদা থাসিগী ৬তা ওপরেসন তৌদুনা হার্টতা আইসিপি হাপ্লবা মতুং থাসিগী ৯দা দিসচার্জ তৌরক্লগা নুমিৎ খরনি দিল্লিদা লৈরম্লগা থাসিগী ১৮দা ইম্ফালদা লৈবা ময়ুমদা থুংলখিবনি।

মহাক থুংলবগা ঙরাং মহাকপু এনআইএনা ইম্ফালদা লৈবা মখোয়গী ওফিসতা কৌদুনা মহাক্কী ষ্টেটমেন্টশিং ওফিসিয়েল ওইনা রেকোর্দিং তৌখি। লোয়ননা ঙসি অয়ুকসু অমুক হন্না এজেন্সিসিগী ওফিসতা লাক্লবা খঙহল্লকপদগী এনআইএনা ওফিসিয়েল ওইনা ঙসিগী তারিখতা 'এরেষ্ট মেমো' পীরগা ফাজিল্লবা মতুংদা পন্থদনা কোর্টতা পুথোরকখিবনি।

এনআইএনা মহাকপু ঙসি নুংথিল উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পিসিয়েল জজ (এনআইএ), মণিপুর ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ, ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা পুথোরকখি। মহাকপু কোর্টসিদা পুথোরক্লিবসি নোংমৈশিং মাঙবা থৌদোক্কী মতাংদা এনআইএনা রেজিষ্টার তৌরগা লৌখৎপা কেস নম্বর ০২/ ২০১৮/ এনআইএ/ গুৱাহাটি (তাং ১/ ৬/ ২০১৮)গী মখাদনি। কেস অসি এজেন্সি অসিনা ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সন ১২০ (বি) অমসুং ৪০৯ অমদি অন লোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্টকী সেক্সন ২০গী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি।

কোর্টসিনা কেস অসিবু এদমিট তৌরদুনা লৌখৎখিবা মসিগী কেস নম্বরনা ক্রিমিনেল মিসেল্লিনস কেস নম্বর ৯৩ ওফ ২০১৮নি। ঙসি এনআইএনা এমএলএ য়ামথোং হাওকিপপু ফাদুনা কোর্টসিদা পুথোরকখিবদা মখোয়গী মায়কৈদগী কেসসিগী একুয়ইজ অমা ওইরিবা এমএলএ অসিবু কোর্টসিদা পুথোরকপদা অয়াবা পীবিয়ু অমসুং মহাকপু জুদিসিয়েল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌবিয়ু হায়দুনা প্রেয়র তৌরকখি।

লোয়ননা কেস অসিগী একুয়ইজ খরবু এজেন্সি খরনা সিআরপিসিগী সেক্সন ১৬৪গী মখাদা মখোয়গী ষ্টেটমেন্টশিং লৌবদা মখোয়গী কনফেস্নেল ষ্টেটমেন্টশিংনা হায়বদা অনীশুবা এমআরদগী মাঙখ্রিবা নোংমৈশিং অদুগী এমএলএ য়ামথোং হাওকিপনা ফংখিবা কনসাইন্টমেন্টশিংদগী খরনা সাইতু কেন্দ্রগী এমএলএ ঙমথং হাওকিপতা পীখি। অদুগা খরনা কুকি রিভোলুস্নরি আর্মি (কেআরএ)গী দেবিদ হংসিংদা পীখি হায়বদু খঙবা ঙম্লে হায়খি।

অদুম ওইনমক হৌজিকমক্কীদি কেস অসিগী একুয়ইজ অমা ওইরিবা এমএলএ অসিবু এনআইএগী কষ্টদিদা থমদুনা ৱাহং পাউহং চত্থবগী তঙাইফদবা লৈতে হায়বা ৱাফম এজেন্সি অসিগী মায়কৈদা লেপখিবা স্পিসিয়েল পব্লিক প্রোজিক্যুটরনা কোর্টতা ফোঙদোকখি। অদুবু এজেন্সি অসিনা কেস অসিগা লোয়ননা মহাকপু মখোয়গী কষ্টদিদা থম্বগী তঙাইফদবা মরমশিং লাক্লবদি আইনগী মতুং ইন্না অয়াবা পীবিনবদি কোর্টতা হায়জখি।

তাঞ্জাসিদা এমএলএ অসিবু কেসসিদগী বেল পীবিয়ু হায়বা প্রেয়র এপ্লিকেসন অমসু কোর্টসিদা একুয়ইজগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেটনা ফাইল তৌরকখি। বেল এপ্লিকেসন অসিদা এদভোকেটকী মায়কৈদগী কেস অসিগী একুয়ইজ অমা ওইরিবা মীওইসি সাইকুল এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী সিটিং এমএলএনি। মহাক হার্টকী অনাবা লৈবা পেসেন্টনি হায়দুনা ৱাফমসিবু সপোর্ট তৌবা দোক্যুমেন্টশিংসু কোর্টতা পীশিনখি। লোয়ননা মহাকপু কেস অসিগী এনআইএগা ইনভেষ্টিগেসন ওফিসার (আইও)দা মশানা য়ানা দরকার লৈরকপদা ফঙহল্লিবনা মহাক্না কেসসিদগী মীরোৎ ওইখিগনি হায়বগী ৱাফম লৈতে। মরম অসিনা মহাকপু এনআইএগী কষ্টদিদা নৎত্রগা জুদিসিয়েল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌবিফম থোক্তে হায়বা ৱাফম কোর্টতা পুখৎলকখি।

এমএলএগী বেল এপ্লিকেসন অসি কোর্টনা এদমিট তৌদুনা ক্রিমিনেল মিসেল্লিনস (বেল) কেস নম্বর ২৯ ওফ ২০১৮ লৌখৎখি। অদুবু কোর্টনা নাকল অনীগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা হৌজিক লৈরিবা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসনগী ফিভম অসিনা মরম ওইরদুনা মহাকপু জুদিসিয়েল কষ্টদিদা থম্বগী তঙাইফদবা লৈ হায়বদগী বেল এপ্লিকেসন অদু রিজেক্ট তৌরগা মহাকপু মথং থাগী ৭ ফাউবদা জুদিসিয়েল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখি।

অদুবু একুয়ইজ অসিগী হৌজিক ওইরিবা হকচাংগী ফিভমসিদগী মহাকপু জুদিসিয়েল কষ্টদিগী মনুংদা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)কী সিক্যুরিটি ৱার্দতা থমদুনা মঙোন্দা মেদিকেল ফেসিলিটি ফঙহন্নবা খঙহনখি। কোর্টকী ৱাফমসিদা এনআইএগী স্পিসিয়েল পিপিনসু ওবজেক্সন তৌখিদে।

অদুবু কোর্টকী মখা তাবা ওর্দরদা মহাক কোর্টতগী জেনিমসকী সিক্যুরিটি ৱার্দতা চুমদ্রিং পুনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা মহাক থমগদৌরিবা ৱার্দ অসিদা মহাক্কী লোয়নবী, মচাশিং, মহাক্কী পিআরও অমসুং এটেন্দেন্ট অমখক্তমক মহাক্কী ভিজিটর ওইগদবনি। মহাক্কী এদভোকেটতী মহাক্না দরকার ওইরকপদা উন্নবগী অয়াবসু পীখি।

কোর্টকী ৱাফমশিং অসি ঙাক্না চৎনবা জেনিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট অমসুং মণিপুর সেন্ত্রেল জেল, শজিৱাগী এসপিদসু খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, নোংমৈ মাঙবগী থৌদোকসিগী কেস অসিদা এনআইএনা একুইজশিংনি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা অতোপ্পা একুয়ইজ ১০ অদুনা হৌজিক্লা ২শুবা এমআরগী ফেমিলি লাইনদা লৈরিবা কেরলাগী পথানমথিটা দিষ্ট্রিক্টকী ওম্মুলুরদগী লৈখিদ্রবা পোদিয়নগী মচানুপা নেল্লিকত্তিল পোদিয়ন দামোররন (৫৯), নেপালগী বেগলুং ৱার্দ নম্বর ৬ ভিসপোখরাদগী লৈখিদ্রবা মন বহাদুর ছেত্রিগী মচানুপা নরায়ন ছেত্রি (৪৪), মথুরাবাসিময়ুম হিরঞ্জয় শর্ম্ম এলাইজ ঙৌবী (৩৪) অপোকপা এম হরিদাস শর্ম্ম তেরা সাপম লৈরক, পাওনম শান্তিকুমার (৫০), অপোকপা লৈখিদ্রবা পি শামু ক্বাকৈথেল ময়াই কোইবী নিংথৌজম লৈকাই, ঙমবোই হাওকিপ এলাইজ রাজু (৩৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা দোংমাঙ হাওকিপ কাংপোকপীগী লোইবোল খুনৌ ৱারোইচিং লৈগ্রাম মনিং, হাওবম ব্রোজেন্দ্রো (৩৯) অপোকপা ঐচ তোম্বী ক্বাকৈথেল ঙানপ্পী থোং, লাইশ্রম দামুদোর এলাইজ থেম্বুং (২৭) অপোকপা এল যাত্রা ক্বাকৈথেল ময়াইকোইবী, থোকচোম জেমস এলাইজ তনাও (২৮) অপোকপা টিঐচ শুনিলকুমার ক্বাকৈথেল ময়াই কোইবী মমাঙ লৈকাই, লাইশ্রম অনীলকুমার (৩৪) অপোকপা এল ইবোমচা সঙাইপ্রৌ মমাঙ লৈকাই অমসুং থোকচোম দাইমন্দ এলাইজ তোলেন (৩১) অপোকপা টিঐচ শুনিলকুমার ক্বাকৈথেল ময়াইকোইবী মমাঙ লৈকাইনি।